# পিএম মোদিনা পুটিনদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগা হকথেংননা ৱারী শান্ননবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা মিনিট ৫০ রোম চঙনা ৱারী শান্নদুনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিগা হকথেংননা ৱারী শান্ননবা তকশিনখ্রে হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোক্লি।

মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা লান শোক্লরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টরনা রসিয়ন প্রসিদেন্টদা ফোন তৌদুনা ৱারী শান্নখিবনি।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবদগী মোদি অমসুং পুটিনগী মরক্তা ৱারী শান্নবা অনীশুবা ওইরিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী ফোনকোল অদুদা প্রসিদেন্ট পুটিননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী টিমশিংগী মরক্তা চথরিবা নেগোসিয়েসনগী ষ্টেটসকী পাউদম পীখি।

লান লেপ্তুনা য়ুক্রেনগী সিটি মরি কিভ, খর্কোভ, সুমি অমসুং মরিওপোলদা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং হাংলগনি হায়না







রসিয়ন মিলিটরিগী মায়কৈদগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখিববুসু মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়ান সিটিজেনশিং খ্বাইদগী থুবা মতমদা সুমিদগী অশোয় অঙাম য়াওদনা হোন্দোরকপা মথৌ তাই হায়না পুটিনদা হায়খি।

পুটিনগী মায়কৈদগীসু হিরম অদুগা মরী লৈননা পীবা য়াবা কোওপরেসন পুন্নমক পীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরদা থাজবা পীখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগসু ফোনদা ৱারী শান্নখি।

মদু মোস্কোনা নুমিৎ ১২ নিগী মমাঙদা কিভকা লান শোক্লবা হৌখিবদগী য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট অসিগা ফোনদা ৱারী শানবা অনীরক শুবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ৱারী শান্নবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক থোক্লিবা লান অমসুং মদুনা লাকহল্লিবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিসকী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

পিএমওগী ষ্টেটমেন্টনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা ভাইওলেন্স খুদক্তা লেপ্পা মথৌ তাই হায়না জেলেন্সকিদা নৌহৌননা পনখি অমসুং ইন্দিয়ানা মতম চুপ্পদা ইস্যুশিং ইংনা চিক্লা লৈখায় তাথোকপা অমসুং পার্টি অনীগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শান্নহনবা পান্মী হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, য়ুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান সিটিজেন লিশিং ২০ হেন্না লান নঙলবা লৈবাক অদুদগী হোন্দোকপদা খুদোংচাহনবগীদমক্তসু মোদিনা য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংসু থাগৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না য়ুক্রেনদা মখা তানা লৈরিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিংগী সেফতি অমসুং সেক্যুরিটিগী মতাংদা নুংনাংবসু উৎপগা লোয়ননা মখোয়বু থুনা অমদি খুদোংথীবা নঙহন্দনা হোন্দোকপা মথৌ তাই হায়খি।

মোদি অমসুং জেলেন্সকিনা অহানবা ওইনা ফেব্রুৱারী ২৬ তা ফোনদা ৱারী শান্নখি। মদু রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবা মতুং নুমিৎ নীনি চনবদনি।

# য়ুক্রেনদগী থোরকপা মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সি লেপ্পা হায়বসি সেন্টরগী মথৌদাংনি: কুমারস্বামি

বেঙ্গলুরু, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

লান নঙলবা য়ুক্রেনদগী থোক্লকুবা মহৈরোয়শিংবু তুংদা মহৈ মশিং মখা তমথবগী থৌদাং অসি য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা লৌগদবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা কর্নাটকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ঐচটি কুমারস্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমার স্বামিনা হায়খি, মদুদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা য়ুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিংবু রেস্ক্যু তৌখিবা অসি ফৈ। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না হঙনিংলিবদি মহৈরোয়শিং অসিগী তুংলমচৎ করি ওইগদগে হায়বসিনি।



ইন্দিয়াগী মহৈরোয়শিং অসি মতম অমদা য়ুক্রেনদা অমুক হন্দুনা মখা তানা মহৈ তমথবা হায়বসি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফমনি। রসিয়ান আর্মিনা য়ুনিভর্সিটিশিং য়াওনা য়ুক্রেনগী এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিং মাঙহন তাকখ্রে হায়বসি মেদিয়াদা উৎলি।

কর্নাটকাদগী মহৈরোয় ৮০০ দগীনা ১০০০ রোম ফাওবা য়াওনা মশিং য়াম্লবা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিং হৌজিক য়ুক্রেনদগী হল্লক্লে। তৌইগুম্বসুং মহৈরোয়শিং অসিগী মখা তাবা এদুকেসনগী ৱাফম অসি অরুবা ফিভমদা লৈরি।

মখোয়না মখা তানা মহৈ তমথবগী ৱাফম অসি লাননা মরম ওইদুনা তন্থা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কর্নাটকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি কর্নাটকাদা মেদিকেল কলেজ ৫০ দগী ৬০ ফাওবা লৈ। তঙাই ফদ্রবদি মহৈরোয়শিং অসি এদমিট তৌনবা এন্ট্রান্স একজাম পাঙথোক্লবা খন্নবা ওইসনু। য়ামদ্রবদা অসিগুম্বা মহৈরোয় তরা কলেজ খুদিংমক্তা ফ্রি এদুকেসন ফঙহন্নবা শেম্বীয়ু হায়নসু কুমারস্বামিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট বজেট লুপা ক্রোর ২,৬৫,৭২০ ওইরিবা অসিদা হিরম অসিগা মরী লৈননা লুপা ক্রোর ৫০-১০০ চাদিং তৌবদা কর্নাটকা গভর্নমেন্টদা অৱাবা ওইরগদ্রা। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা অচংমল অপুম্বগী চাদ ৫০ পুথোকচনু।

মহৈরোয়শিং অসিনা ডাক্তরশিং ওইরক্লবদি মখোয়না মীয়ামগী পুন্সি কন্দুনা কর্নাটকাগী থৌগল তৌগদৌরিবনি হায়খি।

# বিজেপিগী এমএলএশিং টেলঙ্গনা এসেমব্লি সেসন অপুম্বগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে

হায়দ্রবাদ, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

টেলঙ্গা এসেমব্লি বিজেপি এমএলএ অহুম বজেট সেসনগী অহানবা নুমিৎ নিংথৌকাবা নুমিৎতা হাউসতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। মখোয় হাউসকী প্রোসিদিংসতা অকায়বা পীবগীদমক সস্পেন্দ তৌখিবনি।

স্পিকর পোচারাম স্রিনিবাস রেদ্দিনা রাজা সিংহ, রগুনন্দ রাও অমসুং ইতালা রাজেন্দর সেসন অপুম্বগী ৱাৎলিবা মতম পুম্বগী ওইনা সস্পেন্দ তৌরে হায়না লাউথোকখি।

সেসন হৌরবা মতুং মিনিট খরগী মতুংদা বিজেপিগী এমএলএশিং অসি ফাইনান্স মিনিষ্টর হরিস রাওগী বজেট স্পিচতা অকায়বা পীনবা হোৎনরুবদগী সস্পেন্দ তৌখি।

গভর্নমেন্টনা মহৌশাদগী চৎনরকপা গভর্নরনা ৱা ঙাঙবা য়াওদনা বজেট সেসন হৌননবা মুভ তৌখিবগী মায়োক্তা সেফ্রোন পার্টিগী লেজিসলেচরশিং অসিনা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

অমুবা স্কাফ শীজিন্নদুনা অমসুং স্লোগান কয়া লাউদুনা বিজেপিগী এমএলএশিং অদুনা স্পিকরগী মমাঙদা চঙশিনখি। মখোয়না বজেট স্পিচকী কোপিশিংসু শেগায়খি। স্পিকরনা হঞ্জিন হঞ্জিন মখোয়গী ফম্ফমশিংদা ফম্ননবা আপিল তৌবদা মখোয়না থৌশাদবদগী মিনিষ্টর টি স্রিনিবাস যাদবনা মখোয়বু সেসন অপুম্বগী ওইনা হাউসতগী সস্পেন্দ তৌনবা রিজোলুসন অমা মুভ তৌখি। রিজোলুসন অদু ভোইসভোটনা পাস তৌখি অমসুং এমএলএশিং অদু হাউসতগী মপান থোকহনখি।



সস্পেন্সন অদুবু প্রোটেষ্ট তৌরদুনা বিজেপিগী লেজিসলেচর অহুম অসি এসেমব্লিগী মেন গেটকী মমাঙদা ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। টিআরএস গভর্নমেন্টনা দেমোক্রেটিক ওইদবা মেথদশিং শীজিন্নদুনা ওপোজিসনগী খোল্লাউশিং নমথৈ হায়না মখোয়না মরাল শীখি।

গভর্নরবু ৱা ঙাঙহন্দবা অসিনা কন্সটিট্যুস্নেল ফম পায়রিবা মীওই অসিবু ইকায়বা পীরে হায়নসু মখোয়না মরাল শীখি। অদুম ওইনমক গভর্নমেন্টনা খোঙথাং অদু লান্দে হায়রদুনা মদু অনৌবা সেসন নত্তে। তৌইগুম্বসুং মমাঙগী সেসনগী মখা চত্থরকপনি হায়খি।

গভর্নর তামিলিসাই সোমদা-রাজন্নসু গভর্নমেন্টগী খোঙথাং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। থাংজ নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি থা মঙাগী মতুংদা হাউসকী মীফম পাঙথোকপনি। মহৌশাদগী চৎনরকপা কাঙলোনশিংগী মখাদা অসুন্না মতম শাংনা কান্নরবা মতুংদা হাউসকী মীফম কৌরবদি মদু অনৌবা সেসন অমনি হায়বা য়াদে।

তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্টনা মমাঙগী সেসন মখা চত্থনবা লেপখিবনি। গভর্নরগী এদ্রেস য়াওহন্দনবা গভর্নমেন্টনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদুবু গভর্নরনা কন্না য়ানিংদবা উৎখি। অদুম ওইনমক মহাক্না মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক হাউসতা বজেট পুথোক্লবা মহাক্না রিকমেন্দ তৌখি।

# ইদি রিমান্দ মতুংদা নৱাব মালিক নুমিৎ ১৪ নিগী জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্নবা খণ্ডহনখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মুম্বাইগী স্পিসিয়েল পিএমএলএ কোর্ট অমনা মহারাষ্ট্রগী মাইনোরিটি এফিয়ার্স মিনিষ্টর নৱাব মালিকপু মনি-লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা মার্চ ২১ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্নবা খণ্ডহনখ্রে।

কেস অদু চহী ২০ লোমগী মমাঙগী লোনা য়াদবা লেন্দ দিল অমগা মরী লৈনৈ। ফেব্রুৱারী ২৩ দা ফাখিবা মালিক ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেট (ইদি) গী কষ্টদিদা লৈবগী নুমিৎ ১২ নিগী মতম নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইখিবদগী মখা তাবা কষ্টদিগীদমক স্পিসিয়েল পিএমএলএ জজ আরএস রোকাদেগী কোর্টতা পুথোকখি।

মমাঙগী হিয়ারিংদা ইদিনা স্পিসিয়েল কোর্টতা মালিক্না শুপ্পগী লুপা লাক্ষ মঙা লৌখি। হান্না পনখিবা লুপা লাক্ষ ৫৫ নত্তে হায়না ইনফোর্ম তৌখি। শেনফম অদু গোহলা কম্পাউন্দগী প্রোপর্টি দিল অমগা মরী লৈননা কুমজা ১৯৯৯-২০০৫ কী মরক্তা হাসিনা পারকরদা পীখি।

মিনিষ্টর অসি মশা নাবদগী হোস্পিটলাইজ তৌবনা মরম ওইদুনা মখোয়না ইন্ট্রোগেসন তৌবা য়ারোই হায়না ইদিনা আর্গুমেন্ট তৌরকখিবগা লোয়ননা স্পিসিয়েল জজনা মালিক্কী কষ্টদিগী মতম শাংদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা মনি-লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা ইদিনা মীচেল ওইরবা দাৰুদ ইব্রাহিম কাস্করগী খ্বাইদগী নক্লবা মরী মতাশিংগী য়ুমশিংদা রেইদ চত্থখি।



রেইদ চত্থখিবা অদুদা লৈখিদ্রবা মহাক্কী মচে হসিনা পারকরগী য়ুমসু য়াওখি অমসুং পারকরগী মচানুপী অলিশা পারকরবু ইদিগী স্লুথশিংনা ইন্ট্রোগেসন তৌখি।

ইদিনা হায়রিবদি দাৰুদকী গেঙ মেম্বরশিংনা মুনিরা প্লম্বর কৌবা মীওই অমগী মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা প্রোপর্টি মুন্নবা লৌতুনখিবদা মালিক চেন্নৈ হায়বসিনি। প্রোপর্টি অদু হৌজিক লৈরিবা মার্কেটকী ভেল্যুদা লুপা ক্রোর ৩০০ নি। লৌতুনবা অদু পিএমএলএগী মখাদা ক্রাইম অমনি। মতুং তাবদা মালিক্লো বোম্বে হায় কোর্টতা মুভ তৌদুনা ইদিনা মহাকপু লোনা য়াদবা মওংদা ফারিবদু শীংনখি অমদি মহাকপু খুদক্তা কষ্টদিদগী থাদোক্লবা তকশিনখি।

মালিকনা হায়খি, মদুদি ইদিনা ফেব্রুৱারী ২৩ গী অঙনবদা মহাকপু ময়ুমদগী ফাখিবদু পিএমএলএ অমসুং সিআরপিসিগী সেক্সনশিং ভাইওলেট তৌখি।

মালিক্না মহাক মাফিয়াগা মরী লৈনৈ হায়বসি য়াখিদে অমসুং পিএমএলএ লৈত্রিঙৈ চহী ২০ গী মমাঙদা লোইখ্রবা ওফেন্স অমনি হায়বা দিল অদুগা মরী লৈননা এক্ট অসি পানফম থোক্তে হায়না য়েৎখি।

মহাকপু ফারবা মতুংদা ওপোজিসন ভারতিয়া জনতা পার্টি (বিজেপি) না মহাকপু খুদক্তা রিজাইন তৌনবা নত্ত্রগা মহাকপু মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

তৌইগুম্বসুং ওপোজিসনগী দিমান্দ অদু রুল্লিং মহা ভিকাস অঘাদিদা য়াওরিবা মীচংশিং ওইরিবা সিব সেনা অমসুং নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি অমদি কংগ্রেসনা য়াখিদে।

এমভিএগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর উধপ থাক্রেগী মিংচৎ থিনিংঙাই ওইবা ৱাফমশিং পন্দুনা ঙাঙবগীদমক কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা ফাখিবা য়ুনিয়ন এমএসএমই মিনিষ্টর নরায়ন য়ানে ফম থাদোকখিব্রা হায়না হংখি অমসুং মালিকসু মহাক্কী কেবিনেট ফম থাদোকপগী মথৌ তাদে হায়খি।

# দিল্লিদা দ্রগ য়োনবা নাইজেরিয়ন নেসনেল অমা ফেক পাসপোর্টকা কোন্ননা ফারে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

দিল্লি পুলিসনা দ্রগ য়োনবা নাইজেরিয়া মচা অমা ফারে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওফিসার অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিএল অসিগী মতুং ইন্না মীওই অদু দ্রগ লল্লোনবা, সাইবর ফ্রোদ অমসুং অতৈ শাথিবা ওফেন্সশিংদা চেন্নবদগী মুম্বাইদগী চেল্লকখিবনি।

রিপব্লিক ওফ নাইজেরিয়াদগী লাকপা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা দোনাটস ওদিপকো ওকোয়ে কৌবা একুজ অদু ফেক পাসপোর্ট অমগা লোয়ননা ভেলিদ ভিজা য়াওদনা ইন্দিয়াদা মতম শাংথনা লৈরম্বনি।

মীওই অদুবু ফাবগা মরী লৈননা অকুপ্পশিং পল্লদুনা দিসিপি ইসা পান্দেনা ফোঙদোকখিবদা সাইবর পুলিস টিম অমা গোবিন্দপুরিগী টুগ্লকবাদ এক্সটেন্সনদা পেট্রোলিং তৌখি। মখোয়না পুলিস পার্টি উরগা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চৎপা ফোরেন নেসনেল অমা উবা ফঙখি।

টিম অদুনা মহাকপু ইন্নরগা ওভর পৱার তৌখিবনি। ফোরেন নেসনেল অদুদা ইন্দিয়াদা লৈনবগী মহাক্কী দোক্যুমেন্টশিং উৎননবা হায়খিবদা মহাক্না দোক্যুমেন্ট অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদে। ভেলিদ দোক্যুমেন্টশিং পুথোকপা ঙমদবতা নত্তনা মহাক মফম অদুদগী চেন্নবা হোৎনখি। পুলিসনা মহাকপু ফাবগা লোয়ননা ফোরেনর্স এক্টকী সেক্সন ১৪ গী মখাদা এফআইআর অমা রেজিষ্টার তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন তৌবা হৌখি। মহাকপু ৱাহং পাউহং চত্থবদা একুজ মীওই অসিনা মহাক কুমজা ২০১৬ দা ইন্দিয়াদা লাকখি। মহাক্না পায়রিবা আইভরি কোষ্টকী পাসপোর্ট অদুদা মহাক্কী মমিং কোনে অদামা হায়না পল্লি। পাসপোর্ট অদু মহাক্না আইভরি কোষ্টতা লৈবা এজেন্ট অমগী খুত্থাংদা ফঙখিবনি।



কুমজা ২০১৮ দা মীওই অসিনা মহাক্কী নাইজেরিয়ন বোস থেঙনখি। মহাক্কী বোস অদু দ্রগ পেদ্দলরশিং নেক্লগা শীজিন্নবা মীওই ওইরম্মী অমসুং মহাকপু দ্রগ য়োনবগী থবক তৌহনখি। মুম্বাইদা লৈবা ক্লাইন্ট অমদা দ্রগ সপ্লাই তৌরিঙৈদা মহাকপু মুম্বাই পুলিসনা ফাখি অমসুং আইপিসিগী সেক্সনশিং ৩০৭, ৩৫৩, ৩৩২, ১৪৩, ১৪৭, ১৪৯ অমসুং এনদিপিএস এক্টকী সেক্সনশিং ৮ (সি), ২১ (এ), ২২ (সি) গী মখাদা বুক তৌখি।

অর্থর রোদ জেলদগী বেলদা থোক্লক্লবা মতুংদা মহাক দিল্লিদা চৎখি অমসুং উত্তমনগরদা লৈবা হৌখি। দিল্লিদা লৈরিঙৈদসু মহাক নাইজেরিয়ান বোস অদু উন্নখি। বোস অদুনা মঙোন্দা ওনলাইনগী থবক খরা খণ্ডহনখি। ওনলাইনগী থবক অদুদা মহাক্না কষ্টম ক্লিয়ারেন্স ফঙহনগনি হায়জিল্লগা মীয়ামদা নমথাক তৌখি।

মহাকপু ফাবগা লোয়ননা মহাক্কী ময়ুমদগী দেভিট কার্দ ৮, শেমজিন শাজিনবা পাসপোর্ট অমা অমসুং মোবাইল ফোন মরি রিকোভর তৌখি।

মঙোন্দগী রিকোভর তৌখিবা ফেক পাসপোর্ট অদু সাইবর ফ্রোদ কেস অমগা মরী লৈননা বেঙ্গলুরুগী জেলদা লৈরিবা মহাক্কী এসোসিএটশিংগী মনুংদগী অমদা ইস্যু তৌবা ওইরমখি।

# বজ্রংদল এক্তিভিষ্ট মীহাৎকী একুজ ১০গী মায়োক্তা য়ুএপিএ পানখ্রে

বেঙ্গলুরু, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

বজ্রংদলগী এক্তিভিষ্ট অমা হাৎখিবগী কেসতা চেন্নবগী মরাল শীরবা মীওই তরাগী মায়োক্তা কর্নাটকা গভর্নমেন্টনা অনলোফুল এক্তিভিটিষ্ট (প্রিভেন্সন) এক্ট (য়ুএপিএ) পাল্লে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুলিস সোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গভর্নমেন্টনা কেস অদু লোকেল পুলিসনা থিজিনবা লোইবগা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এনআইএ) দা শিন্ননবসু খন্নরি।

নেসনেল সেক্যুরিটি অমসুং নেসনেল ইন্টিগ্রিটিদা অকিবা পোকহনবগী থৌওংশিং চেন্নবা কেসশিংদা য়ুএপিএ পাল্লি। বজ্রংদলগী এক্তিভিষ্ট হর্স হাৎখিবগী মতাংদা পুলিসনা অচৌবা লৌতুনবা অমা লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী একুজশিং অদুগী মায়োক্তা য়ুএপিএ পানখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর বাসাভারাজ বোম্মাইনা ফোঙদোকখিবদা মদু মী হাৎপদগী হেনবা কেস অমনি অমসুং ঐখোয়দা উবা ঙম্বশিংগী ৱাংমদা খঙদবা কয়া লৈরি। য়ুএপিএনা পুলিসপু একুজ মীওইশিং নুমিৎ ৩০ নি কষ্টদিদা লৈহনবা ঙমহনবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসারদা নুমিৎ ৯০ নিগী মহুত্তা নুমিৎ ১৮০ নিগী মনুংদা চার্জ সিট ফাইল তৌবা য়াহল্লি। মশাগী চহী ২৮ শুরবা বজ্রংদল এক্তিভিষ্ট হর্স ফেব্রুৱারী ২০ দা ফিজিকেল এসোল্ট তৌদুনা হাৎখিবদগী সিবা মোগা দিষ্ট্রিক্টতা ইরাং থোক্লকখিবনি।

চৈরকসিদা গভর্নমেন্টনা সোসিয়েল দিমোক্রেটিক পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এসদিপিআই) অমসুং পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পিএফআই) থিংনবগী প্রপোজেল লৈতে হায়না কর্নটাকাগী হোম মিনিষ্টর অরাগা জননেন্দ্রনা শেংদোকখ্রে।

# ফেক দোক্যুমেন্টশিং শীজিন্নরগা থবক তৌরম্বা ওজা টর্মিনেট তৌখ্রে

ফিরোজবাদ, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

প্রাইভেট প্রাইমারি এদুকেসন দিপার্টমেন্টদা চহী ১৬ থবক তৌরক্লবা নুপা অমা মহাক্কী দোক্যুমেন্টশিং শেমজিন শাজিনবশিংনি হায়না খঙলকপদগী টার্মিনেট তৌখ্রে।

মীওই অদু উত্তর প্রদেশকী ফিরোজবাদ দিষ্ট্রিক্টকী মধনপুরা ব্লোক্তা লৈবা প্রাইমারি স্কুল অমদা প্রিন্সিপাল ওইনা থবক তৌরম্বনি। বেসিক শিক্ষা অধিকারি (বিএসএ) না ফেক ওজা অদুগী মায়োক্তা এফআইআর রেজিষ্টার তৌনবা ওর্দর তৌখি। ওফিসিএল সোর্সশিংগী মতুং ইন্না প্রাইমারি এদুকেসন দিপার্টমেন্টগী ওজাশিংগী এপোইন্টমেন্টগী মতাংদা স্পিসিএল টাস্ক ফোর্সনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা মেটর অসি খঙলকখিবনি।

| | |
|---|---|
| | DISTRICT: CHURACHANDPUR |
| 80 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, CHURACHANDPUR |
| 81 | EBENEZER ACADEMY NEW CENTRE |
| 82 | RAYBURN COLLEGE, CHURACHANDPUR |
| 83 | RENGKAI GOVT. HR.SEC.SCHOOL, CHURACHANDPUR |
| 84 | SIELMAT HR SEC SCHOOL |
| 85 | V.K. TAWNA COLLEGE, CHURACHANDPUR |
| 86 | YOUNG PILLARS COLLEGE, CHURACHANDPUR |
| | DISTRICT: CHANDEL |
| 87 | MAHA UNION GOVT. HR. SEC.SCHOOL, CHANDEL |
| 88 | ANALLON CHRISTIAN INSTITUTE, CHANDEL |
| 89 | SOUTH EAST MANIPUR HR SEC SCHOOL KAPAAM |
| 90 | SINANU INSTITUTE OF SCIENCES, MARINGPHAI |
| 91 | ST.JOSEPH'S HR. SEC. SCHOOL, KURAOPOKPI |
| | DISTRICT: KANGPOKPI |
| 92 | DAMDEI CHRISTIAN COLLEGE, KANGLATONGBI |
| 93 | CHIL CHIL ASIAN MISSION, KANGLATOMBI |
| 94 | ELITE HR. SEC. SCHOOL, KANGPOKPI |
| 95 | GOOD SAMARITAN PUBLIC SCHOOL, SAIKUL |
| 96 | K.T. COLLEGE, KANGPOKPI |
| 97 | MODEL ENGLISH HR. SEC. SCHOOL, SAIKUL |
| 98 | OLIVIA HR SEC SCHOOL, KANGLATONGBI |
| 99 | SONGPAO LHINGHAT MEMORIAL HR. SEC. SCHOOL, SAPARMEINA |
| 100 | THANGTONG HR. SEC. SCHOOL, SAIKUL |
| | DISTRICT: SENAPATI |
| 101 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL , MARAM |
| 102 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, SENAPATI |
| 103 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, MAO |
| 104 | ASUFII CHRISTIAN INSTITUTE, PUNANAMEI, MAO |
| 105 | MT. PISGAH HIGHER SECONDARY SCHOOL, SENAPATI |
| | DISTRICT: TAMENGLONG |
| 106 | TAMENGLONG HR. SEC. SCHOOL, TAMENGLONG |
| 107 | CHRISTIAN MODEL ENGLISH HR. SEC. SCHOOL, TAMENGLONG |
| | DISTRICT: UKHRUL |
| 108 | UKHRUL HR. SEC. SCHOOL, UKHRUL |
| 109 | SENTINEL COLLEGE, UKHRUL |
| 110 | SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL, HUNDUNG |
| 111 | KTL EXCEL HR SEC SCHOOL, UKHRUL |
| 112 | SAVIO HR SEC SCHOOL, UKHRUL |
| | DISTRICT: TENGNOUPAL |
| 113 | MOREH COLLEGE, MOREH |
| 114 | MOREH GOVT. HR. SEC. SCHOOL, MOREH |
| | DISTRICT: NONEY |
| 115 | KHANGSILLUNG HR. SEC. SCHOOL, KHOUPUM |
| 116 | TENGKONJANG HR. SEC. SCHOOL, NONEY |
| | DISTRICT: JIRIBAM |
| 117 | JIRIBAM HR. SEC. SCHOOL, JIRIBAM |
| 118 | BOROBEKRA GOVT. HIGHER SECONDARY SCHOOL, BOROBEKRA |